# এন এস জিগী টিম ধাকাদা চৎলোই : এম ঈ এ



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

বাংলাদেশতা হুন্দক্তা টেররিষ্টশিংনা চথখিবা এটেক অনীগী মতাংদা ইনবেষ্টিগেসন চথবদা মতেং পাংলুনবগীদমক নেসনল সিক্যুরিটি গার্ড (এন এস জি)গী টিম অমা থারগনি হায়বা ব্রাফম অদু অরানবনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন বিকাশ স্বরুপনা হায়খি, এন এস জিগী টিম অমত্তা বাংলাদেশতা থাবগী ব্রাফম লৈতে। মিডিয়া রিপোর্ট খরনদি ধাকাদা হুন্দক্তা রেষ্টোরেন্ট অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথদুনা মীওই ২০ হাৎখিবা অমসুং কিশোরগঞ্জ এরিয়াদা ঈদকী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা বোম পোকখায়হনখিবগী মতাংদা এন এস জিগী টিম অমা থাদুনা ইনভেষ্টিগেসনদা মতেং পাংহনল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা বিকাশ স্বরুপনা হায়খি, বাংলাদেশতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা ইন্দিয়াগী চহী নৌরিবী নুপী অমা শিখিবা তারবসু এন এস জিগী টিম থাবগী ব্রাফম লৈতে। ধাকাদা লৈবা ইন্দিয়ন হায় কমিসননসু এন এস জিগী টিম থাবগী ব্রাফম অসি অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, ধাকাগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা ওটোপ্সি চথখিবা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংনা হায়খ্রে মদুদি, টেররিষ্টশিংনা রেষ্টোরেন্ট মনুংদা লৈরম্বা মীওইশিং মঙত্তা থাঙনা লেল্লগা হাৎখিবনি হায়বা ব্রাফম অদু অরানবনি। ধাকা মেডিকেল কোলেজ হোস্পিটালগী ফোরেন্সিক দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মহমদ সোহেল মহমদনা লুচিংবা মীওই অহুম্না শাবা টিম অমনা কম্বাইন মিলিটরি হোস্পিটালদা অশিবা হকচাংশিং ওটোপ্সি তৌখি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মকোক অমসুং ঙকশমদা অতূম্বা পোৎশক অমনা থিনখিবগী দাকফম লৈরম্মী। মীওই খরদি মঙকশমদা ময়া থৌবা পোৎশক অমনা লেনখিবগী দাকফম লৈরম্মী হায়নসু ফোরেন্সিক এক্সপর্ট টিম অদুগী ব্রারোল পল্লদুনা নুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহমদনা হায়খি, ধাকাগী রেষ্টোরেন্ট অমদা লৈখিদ্রবা মীওই পুম্নমক মঙত্তা থাঙনা লেল্লগা হাৎখিবনি হায়বা ব্রাফম অদু অরানবনি। থবায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদুদা নোংমৈনা পানবগী দাকফম লৈরম্বা থেংনখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জুলাই ১ দা টেররিষ্টশিংনা ধাকাগী রেষ্টোরেন্ট অমদা তারিশি জেন কৌবী ইন্দিয়াগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপী অমা য়াওনা মীওই ২০ হাৎখিবনি। থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসর অনীসু শিখি। টেররিষ্টশিংনা হাৎখিবা মীওইশিং অদুদি, অমেরিকান ১, বাংলাদেশী ২, ইটালিয়ন ৯, জাপানিজ ৭ নি। নুমিৎতুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হোষ্টেজ ১১ কনবা ঙমখি।

আর্মিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইদা থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট ৬ হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অমা হিংনা ফাবা ঙম্লে হায়রি। পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী হকচাংদা ওটোপ্সি চথখিবা ফোরেন্সিক এক্সপার্ট মহমদনা হায়খি, লৈখিদ্রবা টেররিষ্ট তরুক্কী হকচাংদা নোংমৈ মরূ কয়ামকম পানবগী দাকফম লৈরম্মী। মীওই অহুমগী হকচাংদদি বোম মচেৎনা পানবগী দাকফমসু লৈরম্মে থেংনখি। মখা তানা থিগৎপা ওইনা লৈখিদ্রবা টেররিষ্টশিং অদুগী য়া, ঈ অমসুং শাদাং মচেক অমা লৌরগা দি এন এ টেষ্ট তৌনবা থাগ্লে।

এটেক চথরমদায়দা মীওইশিং অদুনা ময়ায় কাবা পোৎলম শীজিন্নখিদ্রা হায়বা খঙদোক্লনবগীদমক সেম্পল লৌরগা দি এন এ টেষ্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না ফোরেন্সিক টিম অদুগী লুচিংবা মহমদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুগী মতাংদা চথবা ইনবেষ্টিগেসনদা মতেং পাংলুনবগীদমক এন এস জিগী মীওই মরিনা শাবা বোম এক্সপর্ট টিম অমা বাংলাদেশতা থারগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈরবনি।

ধাকাগী রেষ্টোরেন্ট অমদা চঙ্গল্লক্লা মীচম কয়া হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্নবগীদমক এন এস জিগী টিম অমা থানবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না ওফিসল ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখিবনি।

# য়াদব, রুপালা, জিগাজিনাগি মশা মশাগী চার্জ লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

রুরেল দিভলপমেন্টকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা নৌনা থনপ্রবা রাম ক্রিপাল য়াদবনা পর্সোটম রুপালা অমদি রামেশ চন্দপা জিগাজিনাগিগা লোয়ননা মশা মশাগী চার্জ লেপ্লে।

য়াদবনা সুদর্শন ভগটকী মহুৎ শীন্দুনা রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী পোর্টফোলিও পায়খিবনি। সুদর্শন ভগটনা হৌজিক মিনিষ্টি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর্স ৱেলফেয়রদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরে। পর্সোটম রুপালা অমসুং রামেশ চন্দপা জিগাজিনাগিদি মিনিষ্ট্রিদা নৌনা য়াওরকপনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্স চাউথোকহনখিবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রিদা ক্রোরপতি ৭২ য়াওরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা মীওই ২৪ সু মিনিষ্ট্রিদা য়াওরি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি। মমাঙ চয়োলদা য়ুনিয়ন কেবিনেটতা মিনিষ্টর ৫ লৌথোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা মিনিষ্টর ১৯ হাপচিনখিবনি। হৌজিক-হৌজিক য়ুনিয়ন কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা অপূনবা মিনিষ্টর ৭৮ লৈরে। নৌনা মিনিষ্টর ওইরকখিবা মীওইশিংগী অপূনবা লন-থুম লুপা ক্রোর ৮.৭৩ নি হায়না এসোসিএসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর) কৌবা দিল্লিদা বেজ তৌবা থিঙ্ক-টেঙ্ক এসোসিএসন অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মধ্য প্রদেশকী রাজ্য সভা মেম্বর এম জে অখবরগী অপূনবা লন-থুম লুপা ক্রোর ৪৪.৯০ ওইদুনা শেল হ্বাইদগী পায়বা মীশক ওইরে। পি চৌধরি অমসুং বিজয় গোয়েলনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লৈরি। রাজস্থানগী কারকখিবা রাজ্য সভাগী মেম্বর ২ অসিগী অপূনবা লন-থুম মথংশিংনা লুপা ক্রোর ৩৫.৩৫ অমসুং লুপা ক্রোর ২৯.৯৭ নি।

নৌনা মিনিষ্টর ওইরকপশিংগী মনুংদা লুপা ক্রোর অমা হেক্তা লন-থুম লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা রামেশ জিগাজিনাগি, পর্সোটম খোদাভায় রুপালা, অনুপ্রিয়া সিংহ পটেল, মহেন্দ্র নাথ, ফাগন সিংহ কুলাষ্টে, রাজেন গোহেন, এস এস অলুৱালিয়া, অর্জুন রাম মেঘৱাল, সী আর চৌধরি, মনসুখভাই লক্ষমনভাই মন্দাবিয়া অমসুং কৃষ্ণ রাজনচিংবা য়াওরি।

এ দি আরগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিগী য়াওনা মশাগী লন-থুম লুপা ক্রোর ৩০ হেক্তা লৈবা মীওই ৭৮ য়ুনিয়ন কেবিনেটতা য়াওরি। অরুন জেটলিগী অপূনবা লন-থুম লুপা ক্রোর ১১৩ নি। ফুদ প্রোসেসিং মিনিষ্টর হরসিমরাট কৌর বাদলগী লুপা ক্রোর ১০৮ অমসুং পাৱর মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়েল বেদপ্রকাশগী লন-থুমনা লুপা ক্রোর ৯৫ নি।

নৌনা মিনিষ্টর ওইরক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা শেল হ্বাইদগী য়াম্না পায়দবা মীওইদি মধ্য প্রদেশকী অনিল মাধব দাবেনি। ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর ওইরিবা রাজ্য সভাগী মেম্বর অসিগী অপূনবা লন-থুম লুপা লাখ ৬০.৯৭ নি।

হৌজিক-হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবা মীওইশিংগী মনুংদা লুপা ক্রোর ১ য়ৌনা মশাগী লন-থুম লৈতবা মীওই তরুক য়াওরি। নৌনা মিনিষ্টর ওইরকপ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা মীওই তরেৎ য়াওরি হায়রি। মদু থারগা মীওই ৭৮ লৈবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসতা ক্রিমিনেল কেস চেন্নবা মীওই ৪০ শুরে।

মিনিষ্টরশিংগী চহী মতাংগী ব্রাফম পল্লদুনা এ দি আরগী রিপোর্টনা হায়খি, মশাগী চহী ৩১ দগীনা ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই অহুম য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদা য়াওরি। মশাগী চহী ৪১ অমসুং ৬০গী মনুংদা লৈবা মীওই ৪৪ সু মিনিষ্ট্রিদা য়াওরি। হৌজিক-হৌজিক য়ুনিয়ন কেবিনেটতা নুপী ৯ মিনিষ্টর ওইনা লৈরি।

# ট্রেন টিকেট কক্পদা আধার নম্বর য়াওদবা য়ারোইদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

অথুবা মতমদা কনাগুম্বা মীওই অমনা ট্রেন টিকেট কক্পদা য়ুনিক আইদেন্টিটি (য়ু আই দি) নৎত্রগা আধার নম্বর য়াওদবা য়াররোই।

হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলে হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

ছোর্স অদুনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা অরানবা মওংদা ট্রেন টিকেট বূক তৌরগা মমল ৱাংনা লৌদুনা অতোপ্পা মীওইদা য়োন্থোকপগী থৌওং তোয়না চথরকপদগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। হৌজিক্তি য়ু আই দি য়াওদনা ট্রেন টিকেট বূক তৌবা য়াররোইদবনিনা ব্লেক মার্কেটরশিংনা অরানবা মওংদা ট্রেন টিকেট লল্লোনবগী থৌওং চথবা য়াররোই হায়রি।

নৌনা লৌখৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা ছোর্স অমনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমনা আধার কার্দ পায়দবা তারবসু টিকেট রিজার্ভেসন তৌরমদায়দা আধার নম্বর খঙলবদি নম্বর অদু ফোর্মদা মেনশিল্লগা পীশিনবা মতমদা টিকেট কক্পা য়াগনি।

অতোপ্পা ছোর্স অমনা হায়খি, ইন্দিয়ন রেলৱেজনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা সিনিয়র সিটিজন খুদিংমক মশা-মশাগী আধার নম্বর অদু মাঙজৌননা রেলৱেজদা পীশিল্লক্কদবনি। কন্সেসন পীবদা খুদোংচানবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

প্রোজেক্ট অসিগী অনীশুবা তাঙ্কত্তা ফ্রীদম ফাইটর অমসুং শোয়নাইরবশিংনা মশাগী য়ুনিক আইদেন্টিটি নম্বর পীশিন্দুনা টিকেট কক্পদা কন্সেসন ফংনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়রি।

মদুগী মতুং তারকপদা মীপুম খুদিংমক তঙাইফদনা মশাগী আধার নম্বর পীশিনহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। কনাগুম্বা মীওই অমনা আধার নম্বর পীশিন্দবা তারবদি বূক্কিং কাউন্টর অমত্তদা টিকেট কক্পা য়ারোই হায়রি। ইন্টর্নেটকী খুথাংদা টিকেট কক্পা তারবসু আধার নম্বর য়াওদবা য়ারোই হায়রি।

# গুজরাট হায় কোর্টনা হার্দিক পটেল বেল পীখ্রে

অহমেদবাদ, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

পটেল ফুরুপকী মীওইশিংদা কোটা পীগদবনি হায়না চঙশিনখিবা খোঙজং অমবু লুচিংখিবা হার্দিক পটেলবু গুজরাট হায় কোর্টনা ঙসি বেল পীখ্রে।

হার্দিককী উকিল জুগিন ভর্ধানা হায়খি মদুদি, হার্দিকপু কোর্টনা বেল পীরবসু অতোপ্পা কেস অমদা চেন্নরিবা মরম্না জেলদা মখা তানা লৈখিগনি। পটিদার অনামট অন্দোলন সমিটি (পি এ এ এস) কী লুচিংবা হার্দিক পটেলবু সিদিসনগী চার্জদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদগী জেলদা থম্লকখিবনি।

মমাঙদা মীওই অসিনা বেল পীবীনবা কয়ারক হন্না হায়জরকখি। অদুবু পটেল ফুরুপকী মীওইশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং কনশিল্লকপা য়াই খনবদগী গুজরাট গভর্ণমেন্টনা মহাকপু বেল পীহন্দনবা তকশিন্দুনা লাকখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা হার্দিক পটেলগী ইমুং-মনুংগী মীওই পুম্নমক পটেল ফুরুপকী নুপী তরেৎকা লোয়ননা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি। গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পটেলদা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলিঙৈদা স্লোগান কয়া লাউশিল্লকপগীদমক মীওইশিং অদু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি।



বিরামগম টাউনগী পুলিস ইন্সপেক্টর বিশ্বরাজসিনহ জাদেজানা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, চীফ মিনিষ্টরনা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলিঙৈদা স্লোগান লাউশিল্লকপগীদমক হার্দিক পটেলগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরগী থৌরমদা মখা তানা অপনবা পীরকপা য়াই খনবদগী হার্দিককী অপোকপা ভারতভাই, অপোকপী উশাবেন অমসুং মচে মোনিকাবু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি। অতোপ্পা নুপী তরেৎসু পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেননা হায়খ্রে মদুদি, শোখনা লৈহৌরবা মীওই কাঙলুপ অমদা কোটা পীবনা সোল্যুসন পুরক্কদবা নত্তে। কনাগুম্বা মীওই খরনা হোৎনবা তনবদগী অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংগা থাক মান্ননা হিংবা ঙম্নবগীদমক রিজার্ভেসন পীবীয়ু হায়না তকশিল্লকপনি। তশেংবদি হোৎনবা কনবা হায়বা অসিগী মহুৎ শীনবা য়াবা অতোপ্পা অমা লৈতে।

চৈরকসিদা, পি এ এ এসকী মেম্বর দিনেশ বম্ভানিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্টনা পটেল ফুরুপকী মীওইশিংবু মতম চুপ্পগী ওইনা নমথদুনা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মশাগী রাইট ফংনবগীদমক খোঞ্জেল থোক্লা স্লোগান লাউখিবা মীওইশিংবু ফাজিনখিবা থৌওং অদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা চথখিবা থৌওংনি হায়না লৌফম থোকই।

# কাশ্মীরদা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদৌবগী তান্নরকখিবা টেররিষ্ট হাৎখ্রে



শ্রীনগর, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদৌবগী তান্নরকখিবা মিলিটেন্ট লীদর অমা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ষ্টেট অসিগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্তা হাৎখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী কোকরনাগ য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা মফম কয়াদা থিবা-হুম্বগী থবক চথরবা মতুংদা মিলিটেন্ট অদু হাৎখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা পুলিস অমদি আর্মিগী অপূনবা টিম অমনা কোকরনাগকী বমদুরা খুঙ্গংদা থিবা-হুম্বগী থবক চথখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকখি। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগীসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা হিজবুল মুজাহিদীনগী মকোক থোংবা লুচিংবা বর্হান ৱানি শিখিবনি হায়রি।

পুলিস ওফিসর অমগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মফম অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মখা তানা থিবা-হুম্বগী থবক চথদুনা অতৈ অতোপ্পা মিলিটেন্টশিংবুসু ফানবা থৌরাং লৌখৎলি।

কুমজা ২০১০ দা হিজবুল মুজাহিদীনদা য়াওরকখিবা ৱানিনা লুপ অসিগী মরুওইবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা এটেক চথদুনা আর্মি জৱান অমদি পুলিস পার্সনেল কয়া হাৎপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, কাশ্মীরগী গন্দরবাল দিষ্ট্রিক্তা থোকখিবা থৌদোক অমদা আর্মি জৱান অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অমা অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মিগী ওফিসল অমনা হায়খি, গন্দরবালগী সাফাপোরোদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা ভেনকটায়া কৌবা জৱান অমা শিখিবগা লোয়ননা মনোহর সিংহ কৌবা হৱিল্ডার অমা অশোক-অপন নংখিবনি।

দিফেন্সকী ছোর্স পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ভেনকটায়ানা হৱিল্ডার মনোহর সিংহবু নোংমৈনা কাপ্পল্লবা মতুংদা মশা মথন্তা শিজখিবনি। পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে হায়রি।

# মিনিষ্টর ১১ হাপচিন্দুনা মহারাষ্ট্রগী কেবিনেট চাউথোকখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজনা মিনিষ্টর ১১ হাপচিন্দুনা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরস চাউথোকহনখ্রে।

চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্টতা মরুওইবা মপাং ওইরিবা শিব সেনাগী মীওই অমত্তা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহল্লক্তবগী মতাংদা পার্টি অসিনা পেন্দবা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক শিব সেনাগী লেজিসলেটর অনী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা ৱাশক লৌহনখি।

ঙসি অয়ুক রাজ ভৱনদা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাক্রে শরুক য়াখিদে। পার্টিগী মীওই অমত্তা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহন্দে হায়বগীদমক উধব থাক্রেনা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিদবনি।

গভর্নর সী বিদ্যাশাগর রাওনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখ্রবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অদুদি বি জে পিগী পান্দুরং ফন্দকার, রাম সিন্দে, জয়কুমার রাৱল, শম্ভাজি নিলাঙ্গেকর, সুভাশ দেশমুখ অমসুং আর এস পিগী মহাদেব জঙ্করনি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মীওইশিং অদুনা শিব সেনাগী অর্জুন খোটকার, গুলাব রাও পটিল; বি জে পিগী রবিন্দ্র চৱন, মদন য়েরাৱর অমসুং এস এস এসকী সদা ভাও খোটনি।

কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা বি জে পিগী রাম সিন্দেদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম (রুরেল) ওইরম্বনি।

# আই এস আই এসনা ইন্দিয়াদা এটেক চথনবা হোৎনরম্লে : রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

মমাঙ চয়োলদা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)না বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈবা রেষ্টোরেন্ট অমদা এটেক চথখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াদসু এটেক চথনবা হোৎনরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংগী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, আই এস আই এসনা ইন্দিয়াদা এটেক চথনবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরি। আই এস আই এসকী মিলিটেন্টশিংনা মোবাইল ফোনদা ৱারী শানবদা ইন্টলিজেন্স এজেন্সীনা ইন্টরসেপ্ট তৌবদগী ইন্দিয়াদা এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বা ৱাফম অসি খঙলকখিবনি।

ইন্টলিজেন্স এজেন্সীগী পাউ অদুনা মখা তানা হায়, বাংলাদেশতা বেজ তৌবা জমাট-উল-মুজাহিদীন বাংলাদেশ (জে এম বি)না ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি অসামদা মশা মরেং ফন্দোরক্তুনা ষ্টেট অনী অসিদা লৈরিবা নহারোল কয়া চিংশিন্নবা হোৎনরি। হন্দক্তসু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা জে এম বি অমদি আই এস আই এসকা মরী লৈনবনি হায়না চিংনবা মীওই মরি ফাবা লৈখ্রবনি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, জে এম বি অমসুং অতোপ্পা মিলিটেন্ট গ্রুপ খরনা আই এস আই এসকা খুৎশম্নরগা ইন্দিয়াদা এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলম্বনি।

পনবা য়াবদি, হাইদরবাদতা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীনা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কা শম্নবা মীওই মঙা ফাবা লৈখ্রবনি।

এন আই এগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, ইব্রাহিম য়াজদানি কৌবা ফারবা মীওই অমদা পুলিস ষ্টেসন কয়াগী চপ চাবা মফম তাকপা মেপ য়াওরম্বগা লোয়ননা এটেক চথনবা হোৎনবগী প্লান তৌবা চেরোল খরসু ফংবা ঙমখি।

# সর্বনন্দ সোনোৱালনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী) :

অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ঙসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনদুনা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনখ্রে।

মিনিট ২০ লোম হোম মিনিষ্টরগা উনখিবা অদুদা সোনোৱালনা অসামদা ওইরিবা ফীভম অমসুং লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ময়েক শেংনা পাউদমখি হায়রি।

অসামদা অহানবা ওইনা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট অমা লুচিংদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবা সোনোৱালনা মমাঙদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ এফেয়র্স ওইরম্বনি।

মরকসিদা টেররিষ্টশিংনা বাংলাদেশতা হন্দক্তা এটেক চথদুনা মীওই ২০ হাৎখিবগা লোয়ননা টেররিষ্টনি চিংনবা মীওই মঙা ঙমখৈ লানশিন্দুনা অসামদা চঙলক্লে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী অসাম পুলিসনা মফম কয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, বাংলাদেশলোমদগী টেররিষ্টনি চিংনবা মীওই মঙা ঙমখৈ লানশিন্দুনা অসামদা চঙলকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু মেঘলায়াগী সাউথ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্তা মতম খরা লৈরম্লগা অসামদা চঙলকখিবনি।

অসামগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস মুকেশ শাহাইনা হায়খি, জমাট উল মুজাহিদীন বাংলাদেশ (জে এম বি)গী মীওই কয়া অসামদা লৈবা মরম্না হন্দক ঙমখৈ লানশিল্লগা চঙলকখিবা মীওইশিং অদু মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী মেম্বর ওইরম্বা য়াই।

হৌখিবা চহী অনীরোমগী মনুংদা জে এম বিগী মীওই কয়া অসামদা ফাবা লৈখ্রবনি। ষ্টেট অসিগী চিরাং দিষ্ট্রিক্তা লৈরম্বা জে এম বিগী ট্রেনিং কেম্প অমসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থুগায়খিবগা লোয়ননা মশীং য়াম্লবা খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রবনি।



অমরোমদা, নেসনল দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোরোলেন্দ (এন দি এফ বি)গী মীওই মরি ফারে হায়না অসাম পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা মীওইশিং অদুনা বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল এরিয়াজ দিষ্ট্রিক্ট (বি টি এ দি)তা লৈবা স্কুল অমদি কোলেজগী ওজাশিংদগী শেল খোমগৎনবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল আর বিস্নোয়না হায়খি, এন দি এফ বিগী মতেং পাংলম্বা ওজা অনী অমসু ফারে। চিরাং দিষ্ট্রিক্তা লৈবা স্কুল অমগী এসিষ্টেন্ট টিচর ওইবা প্রদিপ নর্জারি অমসুং টুক্রাঝারদা লৈবা স্কুল অমগী প্রিন্সিপাল ওইবা জিতেন্দ্র নর্জারিনা মিলিটেন্টশিংগী মতেং পাংদুনা শেল খোমগৎনবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

**PIS Brick Field (Mechanised)**

(From time to time rate changeable)

BRICK SAMPLE

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 9.00 | 3000 | Rs. 27000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 30600 |
| 1st | Rs. 9.00 | 2000 | Rs. 18000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 20400 |
| 1st | Rs. 9.00 | 1500 | Rs. 13500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 15350 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 3000 | Rs. 24600 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 28200 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 2000 | Rs. 16400 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 18800 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 1500 | Rs. 12300 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 14150 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 3000 | Rs. 21000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 24600 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 2000 | Rs. 14000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 16400 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 1500 | Rs. 10500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 12350 |
| Peti | Rs. 6.50 | 3000 | Rs. 19500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 23100 |
| Peti | Rs. 6.50 | 2000 | Rs. 13000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 15400 |
| Peti | Rs. 6.50 | 1500 | Rs. 9750 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 11600 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 3000 | Rs. 12000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 15600 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 2000 | Rs. 8000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 10400 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 1500 | Rs. 6000 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 7850 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 3000 | Rs. 9000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 12600 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 2000 | Rs. 6000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 8400 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 1500 | Rs. 4500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 6350 |

Contact: 9862048579, 7085684539, 9856052197 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

HL-P/8540/27/05-26/07 (alt.)

/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3123/3/06-2/07